**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 05-07-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিদা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চখুরি।

২) রাজ্য অসিগী ঈচাউগী ফিভম য়েংলগা স্কুলশিং ঙসিগা হয়েংগা ছুতি লাউথোকখ্রে, সরকারগী লোইশঙশিংনা ঙসি ছুতি ওইরগনি।

অমসুং

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- তেরোরিজম য়োকখৎলিবা লৈবাকশিংগী মথক্তা মালেমগী লৈবাকশিংনা পুন্না থবক লৌখৎমিন্নগদবনি।

------

সেক্যুরিতি (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিদা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চখুরি।

মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবুনা ঙরাং চুরাচান্দপুর জিলাদগী পম্পি ৪ ফাগৎপা ঙমখি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদসু থিবা হুম্বগী থবক চখুবদা বুল্লেট প্রুফ জেকেট ৮, স্লিপ্পিং বেদ ২০, বুল্লেট প্রুফ হেলমেট ২, কেমোফ্লেগ পেন্ট ৫ অমসুং জেকেট ২ নচিং ফাগৎখি।

নেসনেল হাইৱে নম্বর থার্তি সভেন (ইম্ফাল-জিরিবাম) লম্বী অমসুং নেসনেল হাইৱে নম্বর-টু (ইম্ফাল-দিমাপুর) লম্বীদা সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা পোৎ চৈ পুবা গাড়ি ১৭০ অমসুং ২৫৩ ইম্ফাললোমদা পুশিল্লকখি।

অমরোমদা, মণিপুর পুলিস ত্রেনিং কলেজ পাঙ্গৈদা বন মহোৎসব ২০২৪ গা মরী লৈননা উ চারাশিং কেম্পস অসিদা থাখ্রে। থৌরম অদুদা সেনিয়র পুলিস ওফিসিয়েল, ফোরেষ্ট বিভাগ অমসুং সেন্ত্রেল আমর্দ পুলিস ফোর্সকী পার্সোনেল ১০০ রোমা শরুক য়াখি।

স্কুল ছুতি (এল)ঃ মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ঈশিং ঈচাউগী ফিভম অসি য়েংলগা মখা তানা ঙসি অমসুং হয়েং অমসুং স্কুলশিং ছুতি থাদোকখ্রে।

ইজ্কেসন (এস)কী দাইরেক্তর এল. নন্দকুমার সিংহনা ঙসি থোকপা চেরোল অমনা হায়- ঈশিং ঈচাউ অসিনা মরম ওইদুনা রাজ্য অসিগী মফম কয়া অমদি মহৈ লোইশঙশিং ঈশিং থুমজিনখিবা অমদি মহৈরোইশিং অমদি ওজাশিংবু অশোই অঙাম থোক্তনবা লৌখৎলকপা খোঙথাং ওইনা রাজ্য অসিদা লৈরিবা সরকারগী, গভর্নমেন্ট এদেদ, প্রাইভেট অমসুং সেন্ত্রেল স্কুলশিং লাক্লিবা থাংজ নুমিৎ ফাওবা ছুতি থাদোক্লে।

অমরোমদা, মণিপুর সরকারগী দিপ্যুতি সেক্রেতরি জেনেরেল এদমিনিষ্ট্রেসন দিপার্টমেন্টনা হৌজিক মণিপুরদা খঙহৌদনা ঈচাউ থোরকপা য়াবগী অকিবা লৈবনা ঙসি পাব্লিক হোলিডে লাউথোকখ্রে। অদুমওইনমক, মহৌশাগী ওইবা খুদোংথিবশিংদগী ঙাকথোকবা হোৎনবদা মতেং পাংলিবা রেস্ক্যু অমদি রিলিফ ওপরেসন, তঙাইফদবা সার্ভিসশিং, মরুওইনা হোম, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন, রিলিফ এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট, পৱার, হেলথ অমসুং ফেমিলি ৱেলফ্যার, পি.ঐচ.ই, ৱাটর রিছোর্সেস, পি.দব্লিউ.দি, জে.এ.দি, কাফ এন্দ পি.দি, এম.আই, ফোরেষ্ট অমদি এল.দি.এনচিংবা বিভাগশিংগী ওইনদি ছুতি ওইরোই হায়রি।

ঈচাউ (এল)ঃ  রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা হৌজিকসু ঈশিং ঈচাউগী অৰাবা মায়োকরি। ঈচাউগী অৰাবা নংলবা মীওই কয়া তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হাংবা রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরি। ঈচাউ অসিনা লৌবুক অমদি মনা মশিং থাবা মফম কয়া ঈশিং থুমজিনখিবদগী চাউনা অমাং অতা থোক্লে।

মরক অসিদা, মেট দিপার্টমেন্টকী পাউনা হায়- মণিপুর য়াওনা অৰাং নোংপোক রাজ্যশিংগী মফম কয়াদা হয়েং ফাওবদা অকনবা অমসুং য়ামা কনবা নোং চুরবা য়াই হায়না ওরেঞ্জ এলার্ট লাউথোকখ্রে। অসাম অমসুং অরুনাচল প্রদেশতনা রেড এলার্ট লাউথোকখ্রে। অমরোমদা, মণিপুরদা ঙরাং অহিং নোং চুবা লেপখিবদগী মরুওইবা তুরেলশিংগী ঈমায় খরা হন্থরে।

অসাম ঃ  অসামদা মরুওইবা তুরেলশিংগী ঈশিং ঈমায় হৌজিক খুদোংথিবা য়াবা থাক্কী মথক্তা চেল্লি। হৌজিক রাজ্য অসিগী ঈচাউগী ফিভম লুনা লৈরি। ঈচাউ অসিনা রাজ্য অসিগী জিলা ২৯ দা মীওই লাখ ১৬ হেন্না অৰাবা মায়োকদুনা রিলিফ কেম্প কয়াদা চংজফম লৌদুনা লৈরি। অসাম ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিতিনা হায়- ঙরাং গোলাঘাৎতা মীওই মরি অমসুং দিব্রুগর অমদি চরাইদিওদা মীওই অমমম লৈখিদ্রে।

অকাশবানি পাউমীনা হায়- রাজ্য সরকারনা মী কনবা অমসুং তেংবাং পীবগী থবক কন্না চখরি। রাজ্যপাল গুলাপচান্দ কতারিয়া, মুখ্য মন্ত্রি হিমন্ট বিশ্বা শর্ম্মা অমসুং কেন্দ্রগী মন্ত্রি সরবানন্দ সোনোৱালনা ঈচাউগী অৰাবা মায়োকরিবা মফমশিংদা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে। ঈচাউনা শোকহল্লবা জিলাশিংগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনশিংনা চান-থকবা অমসুং হিদাক লাংথক য়াওনা নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং য়েন্সোকপগী থবক চখরি।

অমরোমদা, কাজিরঙ্গ নেসনেল পার্ককী অয়ান্বা শরুক ঈশিং থুমজিনখিবদগী মরী লৈনবা ওফিসিয়েল টিমনা লম্লক্কী শাশিং শাফগদবা মফমশিংদা পুথোকপগী থবক কনশিল্লে। হৌজিক ফাওবদা লম্লক্কী শা ৮২ রোম কনবা ঙমখ্রে।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- তেরোরিজম অমসুং মসিগী তোঙান তোঙানবা মওংশিং কৈদৌনুংদা য়াবা ঙমলোই। মহাকা হায়- মালেমগী লৈবাকশিং তেরোরিজম য়োকখৎলিবা লৈবাকশিংবু ময়ামদগী তোখায়না তাহনগদবনি।

কজাকস্থানগী আষ্টনাদা চথরিবা সংহাই কোর্পোরেসন ওর্গনাইজেসন সম্মিৎকী মতাংদা শ্রী মোদিনা হায়- ঙমখৈ লান্না তেরোরিজমগী থৌওংশিং চথবশিংদা মতিক চাবা পাউখুম পীগদবনি অমসুং তেরোরিজমদা শেল থাদবা অমদি তেরোরিষ্টশিং রিক্রুট তৌবা থিংগদবনি। শ্রী মোদিগী ৱাফমশিং অদুবু সম্মিৎ অদুদা শরুক য়ারিবা মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্করনা মীফম অদুদা পাথোকখি। শ্রী মোদিনা হায়- এস.সি.ওগী মীফম অসি কোবিদ নাইন্তিন চৈথেং, মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা লান থোক্লিবা অমসুং থাজনবগী চাং হন্থরক্লিবা মতম অসিদা পাঙথোকপনা মীফম অসিনা হায়রিবা ৱাথোকশিং অসি কোকহন্নবা পান্দম থল্লি।

হথ্রাস ঃ উত্তর প্রদেশকী মেনপুরি জিলাগী হথ্রাসতা লাই খুরুম্বদা মীয়াম নেৎশিন্নবগী থৌদোক্তা চেন্নবা মীওই ৬ পুলিসনা ফারে। থা অসিগী ২ দা থোকখিবা থৌদোক অদুদা নুপী ১১২, অঙাং ৭ য়াওনা পুন্না মীওই ১২১ লৈখিদবনি।

আলিগর রেঞ্জগী ইন্সপেক্তর জেনেরেল ওফ পুলিসনা হায়- ঙরাং ফাখিবা মীওই ৬ অদু লাই খুরুম্বগী থৌদোক অদু শিন লাংখিবা মীওইশিংনি। মহাকা মীওইশিং অদু থৌদোক অদু থোক্লবা মতুংদা চেনখিবদগী থৌদোক অদুদা মরুওইনা চেন্নবা মীশক প্রকাশ মধুকর ফানবা পাউ পীবা ঙম্বা মীওইদা লুপা লাখ অমগী রিৱার্দ লাউথোকখ্রবনি। থৌদোক অদুগী মতাংদা পুলিসনা মখা তানা থিজিনবগী থবক চথুরি।

পাকিস্তান ঃ   পাকিস্তানদগী হরিপুর জিলাগী খাইবর লমদমদা গাড়ি অমা লোকখাদা তাশিনবদা ইমুং অমগী মীওই ৭ লৈখিদ্রে অমসুং ১০ না অশোক অপন নংখ্রে হায়রি। থৌদোক অদু ঙরাং নুমিদাংদা থোকখিবনি। রেস্ক্যু টিমনা হায়- থৌদোক অদু মীওইশিং অদুনা লুহোংবা অমা য়াওরুরগা হল্লকপগী লম্বীদা থোকখিবনি।

য়ুকে ঃ   সিট ৬৫০ লৈবা য়ুনাইতেদ কিংদমগী পার্লিয়ামেন্ট মীখল ঙরাং পাঙথোকখ্রে। মীখল অসিদা লেবর পার্তি অমসুং কাজার্ভেতিভ পার্তিনা মপুংওইবা লম্বা ওইরি। হন্দক্কী মীখল অসিদা ভোতর কোতি ৪ লাখ ৬০ না মীরেপ লিশিং ৪,৫১৫ গী মরাইবক লেপকনি।

টেন্নিস ঃ  ৱিম্বলদন টেন্নিসতা ভারতকী য়ুকি ভম্ব্রি অমসুং মহাক্কী মপাং ফ্রান্সকী অলবানো ওরিভেতিনা কজাকস্তানগী আলেকজেন্দর বল্লিক অমসুং আলেকজেন্দর হেপচেনকোবু ষ্ট্রেট সেট ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থিবা পীদুনা মেন্স দবলসকী অনিসুবা রাউন চংখ্রে। অমরোমদা, ভারতকী শ্রীরাম বালাজি অমসুং মহাক্কী মপাং গ্রেট বৃটেনগী লুক জোনসন ক্রোএসিয়াগী মেগ পেবিট অমসুং এল সলবাদোরগী মার্সেলোগী মখুৎতা ৪-৬, ৬-৭ তা অহানবা রাউন্দদা মায়থিহৌরে।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মণিপুরদা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ঈচাউগী ফিভম, সিংহাৎকী এম.এল.এগী য়ুমদা নোংমৈ কাপশিল্লম্বা, প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং এম.পি. বিমোল অকোইজমনা পার্লিয়ামেন্টতা ফোংদোকখিবা ৱাফমগী মতাংদা রাজনিতি দলশিংনা ফোংদোরকপা পাউশিং তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংনরি।

পোকফমদা- তুরেল মরুদা নোং লেপখিবদগী ঈমায় হন্থরক্লবসু ৱার্নিং লেবেলগী মথক্তদি লৈরি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা- মণিপুরগী মফম খরদি নৌনা ঈশিং থুমজিল্লক্লি হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি। নহারোলগী থৌদাংদা- ঈচাউনা মরম ওইরগা লৌফম, মহৈলোইশঙ অমদি ওফিস কয়া ঈশিং থুমজিনদুনা লৈখ্রে হায়না অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর নিউজদা- সিংহাৎ কেন্দ্রগী এম.এল.এগী য়ুমদা নোংমৈ কাপশিল্লম্লে হায়না পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সনালৈবাক্তা- চুরাচান্দপুরদা কুকি খুৎলায় পায়বশিং উংখৎনরে, সিংহাৎগী এম.এল.এগী য়ুমদা নোংমৈ কাপশিল্লম্লে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।     পাউ অসি ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতসু অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা- প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী ৱাফম মৈদা ঘি হৈজিনবগী মওংনি হায়না হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি হুইয়েন লানপাউ অমসুং সেনাপতিদা ফোংবা হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতসু অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

অমরোমদা, ইরাং অসি লোইশিন্নবগী কন্সট্রক্তিভ ওইবা সজেসন পীবগী মহুৎ মীংচৎ তান্নবা ৱাঙাং ঙাংবসি লাইবক থিবনি হায়না বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশকী জেনেরেল সেক্রেটরি কে. শরতনা ফোংদোকখিবা ৱাফম মণিপুর নিউজগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

তমেংলোং ফোরেষ্ট দিভিজন অমদি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না শিন্দুনা বন মহোৎসব ২০২৪ পাঙথোকখিবা পাউ তমেংলোং টাইমস অমসুং গানফিউ মেলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

এস.আই.টি.সি ইম্ফাল ওল ইন্দিয়া ইন্তর সাই সেপাক তাক্রৌগী ওভর ওল চেম্পিয়ন ওইরকপগী পাউ পিপলস ক্রোনিক অমসুং হুইয়েন লানপাউগী শান্নবগী লমায়দা ফোংলি। পাউ অসি অতৈ পাউচেশিংদসু ফোংনরি।

পেরিস ওলিম্পিক গেমসতা নিরজ চোপ্রানা ইন্দিয়াগী টিম লুচিংলগনি হায়বা পাউ শঙাই এক্সপ্রেস য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউচেশিংগী শান্নবগী লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

------